ꯊꯥꯡꯖ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯱꯱, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯵꯶ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, দিসেম্বর ১১, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ২৫৬শুবা মশীং

# মণিপুর টেক্নিকল য়ুনিভর্সিটি

## ৱাথোক ওইরকহন্দবা ঙম্লরোইদ্রা

মণিপুর টেক্নিকল য়ুনিভর্সিটি (এম টি য়ু) অসি মসিগীদমক থৌওইনা মণিপুর লৈঙাক্না শেমখিবা মণিপুর টেক্নিকল য়ুনিভর্সিটি এক্টকী প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না লিংখৎখিবনি। ষ্টেটসিগী এদ্যুকেসন সেক্টরবু হেন্না পাকথোক চাউথোকহন্দুনা মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা লৈঙাক্না পায়খৎলকপা, লৌখৎলকপা ফজখ্রবা থৌরাং-থৌশিলনি। মসিগী কান্নবা মহৈকোল অসিগী মহৈরোয়শিংনা ফংগদৌরিবনি। মরম চাবা লৈঙাক্কী থবক ওইবদগী য়ুনিভর্সিটি অসি য়ুনিভর্সিটি গ্রান্টস কম্মিসন (য়ু জি সী) না ফাওবা রিকগনিসন পীরকখ্রিবনি। অদুবু মণিপুর টেক্নিকল য়ুনিভর্সিটি অসিদা ঙাইহাক লৈতনা ৱাথোক লান্থোক থোকহল্লকপা, লো কোর্টতা চেন-চেন্দুনা ৱাকৎনরকপা, ৱায়েলশঙদা ৱায়েনবিয়ু হায়জরকপগী থৌওংশিং অসিদি চুমদে হায়নীংই। মরমদি অসিগুম্বা ৱারু-নুংজুসিনা মহৈকোল অসিগী নোর্মেল একাদেমিক সেসন্দা হকথেংননা নৎত্রবসু নাকোয়নবা চৈফু-চৈথেং শোয়দনা পীরক্কনি। অৱাংবা থাক্কী মহৈকোল অসিদা তংদু লৈতাদবা অমগী ফীভম শোয়দনা মায়োক্নহল্লক্কনি। অদুবু তোয়না থোকচিল্লক্লবনিনা হৌজিক্তি থোরক্লিবা ৱাথোকশিং অসি মণিপুর লৈঙাক্না, মরু ওইনা হায়র এদ্যুকেসন লোয়শঙগী মকোক থোংবা থৌপুবশিংনা তশেংনা থৌশিল হৈতবগীরা নৎত্রগা হৈনা-হৈনা অচুম্বা অশেংবদু তৌদনা, তৌরোইদবা, তৌফম থোক্তবা অরানবা থবকশিং চত্থরকপদগী ওইগদৌরিব্রা হায়বগী ৱাহংশিং চোংথোরক্লে। মরমদি য়ুনিভর্সিটি অসিগী ভাইস-চাঞ্চেল্লর ওইরম্বা মীওই অমা মহাক্কী সর্ভিস মতম লোইবদগী পোথাখ্রবা মতুংদা মতম খরগী ওইনা অনৌবা অমা হাপত্রিবা ফাওবগী ওইনা এনগেজ তৌদুনা পুহল্লুবা লৈখ্রে। মহাকপু এনগেজ তৌদুনা পুহল্লকপদা মহাক্না পাঙথোকচগদবা ভি সী অমগী মথৌদা খাবৈ-খারা শারুই হায়বগী মতাংদা হায়কোর্ট য়ৌনা ৱাকৎনরকখিবনি। মহাক্না তৌগদবা থবক-থৌরমশিংবু ওর্দর থোক্তুনা থিংজিল্লুই হায়বা ৱাহৌদগীনি। অদুগা মীওই অসিবু মতম খরগী ওইনা এনগেজ তৌদুনা পুহন্দ্রিঙৈগী মমাঙদনা মণিপুর লৈঙাক্কী হায়র এন্দ টেক্নিকল এদ্যুকেসনগী ওফিসল অমদা চার্জ পুহল্লুই হায়বগী ৱাফমসু কাংথোক্নরকখি।

অদুবু হায়রিবা থৌদোকশিং অসিনা লোইদ্রি। হৌজিকসু য়ুনিভর্সিটি অসিগী চাঞ্চেল্লর ওইরিবা গভর্ণর লা গনেসননা নবেম্বর ৮, ২০২১দা এপোইন্টমেন্ট পীদুনা ভি সী ওইহল্লক্লিবা মীওইসি ভাইস চাঞ্চেল্লর অমা ওইবগী ক্রাইটরিয়া শুদে, ইলিজিবল ওইদে হায়বগী ৱাকৎ ময়াম হায় কোর্টতা তৌনরক্লে। অমুক হন্না ৱারু-নুংজু থোক্লক্লে। অদুবু মসিবু করিগীনো হায়বনি। মহৈকোল অসিদা অমুক্তসু নত্তনা য়াম্না তোয়না অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি থোরকহনবা চুম্ব্রা? মণিপুর টেক্নিকল য়ুনিভর্সিটি অসিগীদমক য়ু জি সীনা পীবা গাইদলাইন অমসুং রুলনা য়াবা, ইল্লিজিবল ওইবা, মতিক-চাবা ভাইস চাঞ্চেল্লর ওইবিনবা অতোপ্পা মীওই অমত্তা লৈত্রবরা? মণিপুরদা লৈত্রগসু মপানগী ষ্টেটশিংদগী লৌবদি য়াদব্রা? অদুবু মতিক চাদবা মীওইবু ভি সী ওইনা হাপচিল্লে হায়দুনা হায় কোর্ট য়ৌনা ৱাকৎনরক্লিবা মীওইশিং/পিটিস্নরশিং অদুনা ফমসি পাম্বগীনি, মখোয়না ওইনীংবগীনি হায়বগী ৱা নত্তে। মতিক চাদবা, ইল্লিজিবল ওইদবা মীওইদা ফমসিবু পুহল্লি হায়বা য়াওরক্লিবা অসিনদি মণিপুরদসু মতিক চাবা মীওইশিং লৈরি হায়বগী শেংলবা খুদমনি। মসি ওইরগদি লৈরিবা মতিক চাবা ময়ামদুদগী অমা খল্লগা য়ুনিভর্সিটি অসিগী মরু ওইখ্রবা ফমসি খুৎশিন্নবা য়াদব্রা? এদ্যুকেসন সেক্টরদদি লৈঙাক পায়রি, মিনিষ্টর ওইরি, মরী লৈনবা ওফিসলশিং পুনীংবা মায়কৈদা হুমদুনা পুবা ঙম্মী হায়দুনা নীংঙক-নীংঙকপা থোকউ-থোকউবা হেক্তা তৌশিনবা চুম্লোই। অসুম্মাইনা তৌশিনবসিনা অফবা ওইরকপগী মহুত্তা লৈবাক ৱাথোক ওইহল্লকই। এদ্যুকেসন সেক্টরবু মীয়ামদা মরীং-মরাং উহল্লকই। হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংগী লম্বী শেম্লম্বগী মহুত্তা থুগাই-য়ানখাইদুনা মাঙহল্লম্বা নৎত্রগনা লম্বী লমহাংনহল্লম্বগী থৌদোক ওইনা মায়োক্নহল্লক্কনি। অসিগুম্বা থবকশিং অসিদি এদ্যুকেসন সেক্টরদা তৌরোইদবা থবকনি। মতুংদা অমুক হন্না য়ুনিভর্সিটি অসিদা অসিগুম্বা থৌদোকসি থোরক্তনবা হোৎনহন্নীংই। অদুগা থোক্লোইদবা থৌদোকশিং থোকহল্লিবশিং অসিদা চেন্নবা ওফিসল য়াওনা মীওই পূম্নমকসু থিদোক্তুনা মতুং তৌরক্তনবা ৱারক-ৱাতেমবীহৌবা চুমগনি। নৎত্রগদি অরানবা তৌবদা হৈনরবশিং অদুনা খুদোংচাবা ফংবগা অমুক্কসু হন্না শোয়দনা মথি ফোংলক্কনি হায়নীংই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩১

১) ***"শীঙেন নাচোম"*** হায়বা কুমজা ১৯৩৯দা অহানবা ফোঙখিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **"তমথীবা নোংলৈ"** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবা, করি লোলগী লাইরিক্তগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) **"ৱাখলগী মরোল মরোল নাইরবা চেনাশিং/আশাগী ৱাংখৎখ্রবা তেলঙ্গাশিং/কোয়লৈ কোয়লৈ/অকনবা নুংশিৎনা/হুমদোকখ্রি অসুম ইকুম ওইনা/থম্মোয়নুংদগী/মরূ ফূকখ্রি মঙলান য়াওনা।"** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা করি লাইরিক্তা য়াওবা করম্বা শৈরেংদগীনো?

৪) ***"পোইরৈ নাৎকী ৱারেং"*** হায়বা লাইরিকঅসিগী অইবা কনানো?

৫) ***"কেকু লোৎপী'*** হায়বসি অইবা কনানা ইবা, করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# কৈদৌঙৈ ইশানা পাম্বা মীদা ভোট পীবা ঙমগনি?

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**



ঐনা থাদনীংবা মীদা ঐনা ভোট থাদজবা ঙম্লিবরা ঐবো? করি করিগুম্বা মতমদা অচিকপদা ইশানা ইশাদা মায় ঙাংনা হংজরকপা য়াওরকই। ঐগীনেনা ঐঙোন্দা পাল্লম্লিবা অমত্তা ঙাইরবা কোকসিবু ঐনা অপাম্বা মওংদা ঐগী ওইনা ইশানা শীজিন্ননীংবা মওংদা শীজিন্নবা ঙমজ রিব্রা? ঐগী কোকসিবু ঐগী ওইনা খঞ্জবা ফংলিব্রা? ঐনা ভোট থাদনীংলিবনা কনাদা? মঙোন্দা থাদরগনা করি কান্নরিবা? মীনা থাদৌ হায়না ঐনা ভোট পীরবা মীদুনা কারগনা করি কান্নদৌরিবা লৈবাক্কী? মখোয়না থাদহন্নীংলিবা মীশক্তুনা কনা? মখোয়না মী অমদা অতম্ননা থাদৌ হায়রিসিনা করিগী? মখোয়না ভোট কারগা ঐগী থাঙ্গৈশেংনা কান্নবনা করি করি ওইরক্কদৌরিবা? ইকোক অসিদা ৱাহং মনম মনম য়াম্না হংজরক্লি। হান্না কা হেন্না ঐনা চল্লিঙৈদা মসিগুম্বসি হংনীংলমদে। পঙলৈ মরৈরম্মী, হৌজিক্তি হংদবা ঙম্লক্তে।

নহান্দু করিদগীনো চাক চরা অমদি চাশিনবা হৌজথোকখ্রে ঐসু। চাখ্রিবা চাক অদুদগী ওল্লকপা ঈ মরীক খরদি ঐগী থোপতা, থম্মোয়দা, শীংলিদা চঙখ্রে হায়দবা য়াররোই। মদুগী ঈদুনা য়ৌদবা ঐগী হকচাংগী মফম অমা অমুক লৈরম্লরোই। অমাংবা চাক অদুনা ওনবা ঈদু মরীক খরা খরা ঐগী হকচাংদা য়ানশিনখ্রবনিনা ঐসি অমাংবা মী অমা হায়বদু অমুক ওইবা হৌরে। ক্না মতপ অমনা চীন পৈ হায়বগুম্না চাক চাক্লুক অমনা ৱা থৈ হায়বসু য়াই। থৈসু হেক্তা থৈগদৌরিবনি। চাখ্রিবা চাক অদু মীখলগী নত্তে হায়রি, মরুপ মপাংনি চাক চরা অমা ইচম চম্না চামিন্নবনি হায়রি। মদুবু ওইরদি ফৈ অদুবু মান্দবা অমদি য়াওরি। মদু মীখলগা করিগুম্বা মরী শম্না মৈ অমত্তফাও লৈনদে হায়রি। ভোটপুদি থাদগেরা থাদবীরোইরা ইশাগী অপাম্বনি চাক চরা অমত্তংদদি চামিন্নসি হায়বিখি। মীগী পোৎতু পুক থন্নবা পুক পীক থন্না চাথোক্লুরবনিনা ঐ মখল অমগী লাইমিং লৌবগা চপ মান্নে। ব্রোইলর মখোঙ অচৌবা চীকউবা অমদি শায়রুবা মারিরুবা নুমিৎতগী ঐগী শেংলম্বা ৱাখলদা খরা খরা অওনবা অহোংবা লাকই। ঐগী হকচাংদা চেল্লম্বা নোংশাগী ঈ, হৌদোং মচাগী ঈ ওইনা চেনবা হৌরকই। হায়নীংবা ৱা কয়া ঙ্যাও ঙ্যাও হায়না ওইনা খোংলকই। য়েন চরা অমনা থামায়রপ তৌখ্রমাল্লে ৱা ঙাঙবদা চিন লৈ ইফা ফাজিনবা হৌরকই, লৈ লকক লকক তৌরকপা, খোল্লে খোন্থোক ইশেং শেংলক্তবা হৌরকই। মসি ওইরেকো ফৌওইবী ইমাগী কল্লবা মতিক ময়াই চাক্কী অকনবা মগুণ! ঐনা ফনা য়ানীংখিদ্রবা তম্বা নুপানি। য়ানীংবদৌনগা সপোর্ট তৌরগা ঐনা ঙাঙবা হৌরকই। মানা পাল্লিবা এ সীগী লম্বী অসি গাড়ী অমনবা চৎপা য়াদে, চাকা পাইথোকই। ফেজোম শেৎলগা থবক চৎপা য়াবা মফম ওইদে। মীখল মতমদফাও ভোট ফংনবনি হায়দুনা তাৎ তৌবতা মওইরবসু নূঙ বোরা অমফাও চাইথোকপীরদ্রবা ইরমদম ইরৈকাইনি। ঈশিং লাক্লরোইদৌমাল্লে হায়দনা ষণ লমচাশিংনা মচি ফেঙফম ওইনখ্রবা টোটি কোঞ্জিলশিংদু কোহ্লিং কার কারগা কোঞ্চাক তা তাদুনা লৈনরি। করম্বা মতমদা ঈশিং তারক্কনি হায়বা ৱাদুমদি নোংদম্বা মাখক্তনা খঙলমগনি। ঈশিং তাহনবীদে ভোট শুকপী পীরোই হায়দনা ৱাশক্তুনা লৈরম্বনি ঐ। মাগী চাক মচা অমনা ঐগী চাউরবা থম্মোয় অসি তঞ্জায় য়ৌনীংচিৎ ওলহনবা ঙম্মী। ঐসিবু মাগী নমদুনা অদুম ওইদৌরমাল্লেকাইনা খঞ্জিল্লক্লে। সিনি হেঞ্জিন্না লুখৎলক্লিসে। ঐদৌনা য়াম্না পামদা পামদনা মাবু হুন হুন্দুনা ঙাও শক্লম্বা মহাশয়, জেন্টলমেন ময়াম অদুসু মাগীদা লোইনা হান্না পুন্দুনা লৈরম্লে। ঐনবু কোল্লে করম্লো হায়না খনখি।

মরৌ লৈরবা চাক্তুগী মতুংদা নোংমা ঐ চাবা তুমদবদগী হকচাং ঈরীদুনা নোং নীনি ফমুংদা লৈজরুই। পঙৱা ৱানখিদে শেলগী মতাংদা হীদাক গুলি লৈনবা লাক্নবদা। য়েৎকী পান্থোম খরগা লাক্তুনা শেল পীরৈ। মীখলমাঙ লাং ওইনা নান্থোকপা ঙমদনবা ঝীঞ্জুর ওইনা থোকখি মদু। ফনা মথৌনা লৈবা কংলৈ নোংশাবনি ঐ অদুবু ইয়া চাবাক অমা কেনবদৌনা থোকখি। ইশাসি খংশোন্নখি। মানা চাবসু হাউনা পীজরে চাবগী তুমদদুনা হকচাং ঈরীবগী লায়েংশেলসু অমুক পীরখি। নমদনা মাবু নুংশিবীদবা য়াদবগী ফীভম ওইরে। অঙাংশিং পীজ পীথক তৌ হায়দনা দাতা কর্ণ অদুনা লুপা লিশীং মঙা অমসু ইতৌ য়েংবা ওইনরা খূৎশিন্নবীরম্লে। ঐসু মদুম তৌরবনিনা পূক্লিংদা মোমোন নোকচরে। পূক্লিংনা মোমোন নোকখ্রবদি ৱা লোইরে। ঐগী নুপীনা ঐবু নহানমখৈদি য়াম্না পঙবোইনা খল্লিকাইনা মখোয় চৎখ্রবা মতুংদা তপ তাবমখৈ থাগৎপীরে। নীংঙাইদবী মীখল মতম অমুক তথক তথক লাক্লে। মাগী য়েৎকী পান্থোম খরনা অমুক ফীরাল চৈখোক শুমাঙদা য়ুংবীররদুনা পাইহন্নীংদা পাইহন্নীংদা অমুক পাইহনবীররে। তুপিসুমুক ঐগী নুপীদা য়েনশিল্লরে। ঐগী নুপীসু তুপিদু করিগীনো হরাউ হরাউ অদুম উপহৌরে। তুপি উপ্পু য়াবীবগী ঐগী নুপীবু মখোয়না তিংখৎতুনা অমুক থাগৎপীরম্লে। তপ্না তপ্না লাঙ্গোই অদুম চনশিনখ্রে ইবানিমক। ভোট লেপ্নরিবা অতোপ্পা কেন্দিদেট ময়ামসু অসিমঙাই। অফবা ঙাক্তনি অফবা ঙাক্তনি হায়না খোঙ মোজা য়োনবদৌনা। মখোয়সু মীওক মীচান, পীজ পীথক চপ মান্নে। চপ মান্ননা তৌই। ঐসু লোইনা হোয় হায়। মখোয় লৈবাক শেমগৎনীংবা, অফবা তৌরক্লবা অফবা মী ঙাক্তনি হায়। অফবগী অফবা ঙাক্তা কোকপু ঙাওশিল্লকই। ঐ ইশাগী ৱাখল মচা অমত্তা খঞ্জনবা মতম লৈতে।

মীরেপ খুদিংমক্তু কৈথেল পোৎলক্তা খোঙ মোজা য়োনবশিংনা খোঙ মোজা পুথোক্লগা হারবদৌনা ঐবু উরগা তৌররে। ঐ ইশা অসি ঐ ইশাগী খোঙ মোজা থিরগা লৈবা হৈজদ্রবা জেন্টলমেন অমগা চপ মান্নরকই। ঐগী পাল্লিবা কোক অসিসু পান্দবনা ফরবরা হায়বদু য়ৌনা খল্লকই। ঐ ইশাগী ৱাখল লেপ্পা ঙমদনা কোক য়ৌদবা মী অমা ওইহল্লকই।

ঐদি অমরোমদা ওখাকপু মফরি। মীনা নমথাক তৌগে হায়বদা লায়না থোকপা অচম্বা ইরমদমগী মীগী মশীংসে ওন্থোক্না য়ামখ্রে মখোয়দি কমদৌবা? মখোয়সু মশানা পাম্বা মীদা ভোট শুংথা থাদজবা ফংদনা অদুম লাইরৈবাক য়ৌখিবনা হানবা তারিবনিনেকো?

শক মায়গী, শেলগী, মরী মতাগী, মায়কৈগী, চাক্কী, য়ুগী, পোৎয়েংগী য়েংলগা মথং মথং ভোট থাদজরকপদা ইশাগী মীদা অমুক্তা ভোট থাদজবা ফংজদ্রি। কয়াম কুইরগা ঐনা ঐগী ভোট ঐনা পাম্বা মীশক্তা থাদবা ফংলক্কদগে? মসিগী পাউখুমদি করম্বা নোংদনো হায়বা তম্বা ঙমদে হায়বা অসি ওইনা চীন্বালদগী থোরকই। শুকঙম ঙমদে, অমুক্তা ঙমদে। য়ামদ্রবদা য়ুনিভর্সিটি অমগী দিগ্রী মচা অমত্তা ওইরবসু পায়জরিবা হৈরে শিংলে হায়দনা লম্বীদা ফল্লগা চৎচরিবা, ঙাঙজরিবা ঐমকফাওবদা ইশানা পামজবা মীশক্তুদা ভোট পীবা ঙমজদ্রবদা ইচম চম্না লৈজবা কনা কানিদি মতৌ করম্না অপাম্বা মীদা ভোট থাদজবা ফংলিদগে? ●

# ঐ ঙাওরে, নঙদি ঙাওদে

**নবকুমার ওইনা**

লৈবাক্কী কন্সটিট্যুসন অসি অমুক শেমদোক্ত্রবদি য়াররোই, কনা অমত্তনা মসি ঙাক্না চৎনদ্রে, পাউচেশিংসিনা হায়রিবসিনি। পাউশিংসিসু অমত্তা পানীংদ্রে, খৎনবগা-হাৎনবগা, শিরেগা। অসিবু পাউনি হায়গে হায়রিব্রা? মকোয় খাক্তবা লমশিংগী পাউগা মকোয় খাকপা লমগী পাউগসু অমত্তবু মান্নদে। ফেজোম য়েৎপা কাঙবুসু অমুক তোঙাল্লিবনি, মুরবদি ফজ রে হায়রিবা ময়ামসু শাওনরে, ফি অঙৌবা শেৎলগা তা পায়রগবু খৎনৈ। কোট লিৎপা কাঙবুদি মিসাইল কাপ্নরগা হাৎনরি। মসিদবু মালেমসিদা কন্সটিট্যুসনগুম্বা লো অমা চৎনরে হায়বা য়াদ্রে।

চাক্না য়ূমগী চারগা থৌ লৈতনা মসিগী ময়ামসি খল্লগা ময়ূমদা হঞ্জিন্দবা ময়ামসিগী খল্লগা ঐদি ঙাওরে। মখোয়না ঙাওবা য়ারগা ঐনা ঙাওবদি কৈদৌবা। শাবা হেনগৎপগীনি খঙদে, ঈংবা হেনগৎপগী মৈ তিকপগীনি খঙদে মালেমগী উমংমখৈ তুম্নবা মৈ চাকখৎলকপসিবু মপা-মচানা মখোয় লৈকায়দা হৌরোইদবা উ মঙা-তরা থারগা গৌড়-লীলা শান্নরগা কৈদৌগে হায়বনো? অদুগসু লোইনমক ভোটকী লীলা ওইরম্মী, চাক চরা অমতং চাসি হায়বা ফাওবা ভোটকী ওইরক্লি, ইলেক্সন অদুদি চুম্মী হায়ববুদি মাল্লগা কেস তৌরগদি অমনা অমুক কাখি। মসি কন্সটিট্যুসন হায়রিদু লানবগী ওইরগনি। চহী য়াংখৈসি ভোট হেক য়াওরকঙৈদগী চহী মঙা-মঙাগী থাশি থানৌ হৌরগা বি পি হাইগৎপদগী মিৎ অসিসু উরক্ত্রবনি, ভোটকী শেল য়েনবসি উজদে হায়গে হায়ব্রা, শেল লৌবসু ঙাওদে হায়বা ওইরবদি শেল য়েনবা য়াদে হায়রিবা অদুদি ঙাওদে হায়রিব্রা? ঙাওবা হায়বসি ময়ামগা মান্নদবা অদুনি। শেল লৌবা মশীংগা য়েনগনু হায়রিবা মশীংগা কনানা য়াম্বা হেল্লি? দেমোক্রেসি হায়রিবসিদি মশীংদা চৎলি, অয়াম্বনা চুম্মী। শেল য়েনবদি লায়বু লায়রি মীনা উহন্দববু য়ারি, মীনা উবা চাক থোংনবা গ্যাস সিলিন্দর-ষ্টোভ অচৌবদু ফাওবা ভোট পীদবা ওইরবদি অমুক মুনখ্রে হায়রিসিনি। শেল য়েল্লিবসি লৌনবা মী লৈবগীনি। য়ু শুংলিবসিসু থক্লবা মী লৈবগীনি, শুংবা লেপত্রিবসু থিংবীনবা মী লৈতবগীনি। লীলাগী ওইনা থিংবনা থিংবা য়াবা হৌনদে। মালেমগী লৈকংগী লৈমায়দি লায়রদনা ঈশিংগী ঈমাই ফাওবদা কোয়চৎ চৎলগা য়ু থক্নখৎক্লিবা অসিদা খুবাকমুক্তং পাকপা লমদম অমা য়ু ফংহল্লনি হায়বসি থৌনা য়াম্না লৈবগী ৱানি। মদুসু য়ু থকপা মশীংগা য়ু থক্তবা মশীংগা কনানা হেনবা অমুক্তং মশীং থিদোকপনা ফগনি। থিংবদি ফৈ, থকপা য়াদে হায়ব্রা, ঙাওবা য়াদে হায়ব্রা অমদি ময়েক শেংদোক্লবা চঙগনি। য়ু থকপা হৈরবশিংদি য়াম্না থকচিল্লি, মকোক লায়না লৈবদগীদি ফিরাক শোকচিল্লকই অদুগা য়ুদা তাইনৈ। শিরিবদুদি য়ু থকপগী নত্তে, য়ু থকপা হৈতবগীনি। নুংঙাইরিবদি য়ু থকপা হৈতবশিংগা য়ু থক্তবশিংগা য়েৎনরগা য়ু থকপা খুদিংমক্তা অয়েৎপা পীবা অসিনি। গঞ্জা থকপসু, গুলি চাবসু, নম্বর ফোর চাবসু চপ মান্নে; তন চাবগা, চাক চাবগা য়েৎনরকপসু য়ারিবনি। ষণ চাবগা চাদবগসু য়েৎনবা হেনগৎলক্লি, ওক চাবগা চাদবগা য়েৎনবস হৌরকপা য়ারে। য়ুদা ঙাওবসি অনী শুরি, থক্লগা ঙাওবা অমা, থক্তনা ঙাওবা অমা। য়ু থিংলিবশিংসি থক্তনা ঙাওবা চিংই। মালেমদা য়ু শুংবগী লৌশিং তাক্নবগী কম্পিটিসন অমসু লৈরিবনি। মদু য়াওবা কিবগীনা, 'জপানিজ সেকমাই' হায়রগা জপান্নদি সেকমাই খঙই, ঐখোয়নদি লিক্লিদা লুপা লাখ পীবদু করম্না শুংবনো খঙদ্রি। মখুন অমদা হুৎলগা চৎপা নোংমৈ মরূদি ফোংনা য়োন্দে, মায়কৈ খুদিংদা চাকপা ঙস্বা মৈগী মৈখেত্তি মফম খুদিংদা য়োল্লি, হুনি হায়রিবা লৌ ইদাকসু ময়াম য়োল্লি। করিগীনো য়ু য়োন্নবা শুংবদি তোক্তে, থকপসু তোক্তে, ফোংনা য়োনবতনি থিংলিবা। য়ু থকপা অমনা নোংমদা অদুক য়াম্না থক্তোকপা ঙমদে, য়ু থিংলিবা কাঙবুনা নোংমদা লুপা লাখ অনীগী মাঙহনবা ঙম্মী। য়ুদা ঙাওরিবসি কনানা হেনগদৌরিবনো? য়ু থকউসু হায়দে, য়ু ঙাওগদবনিসু হায়দে, খৃৎঙাও-খৃৎঙাওদুগী ৱাদুনি। থক্তনা ঙাওবা লৈতে হায়গদৌরিব্রা? থকপা য়াদে হায়ব্রা, ঙাওবা য়াদে হায়ব্রা, ঙাওবসিবু কনানা হেল্লিবনো? য়ুদা ঙাওবশিং থবক অতৈ লৈতবগীবু মানশিল্লক্লি। থিংলিবসি থকপদুরা, ঙাওবা য়াদে হায়ব্রা, শুংবা য়াদে হায়ব্রা, য়ু থকচিল্লগা নাবা য়াওবা য়াদে হায়ব্রা লোইনমক্লা? অমত্তসু থিংবা ঙমদে কমদৌবা তারি, থিংবদু থিংবা ঙম্বসু নৎত্রি। চরূ পৈশিল্লগা চোংদুনা শান্নবসু নুংঙাইবা য়াওনরিবনি।

শেল য়েনবসু থিংবা ঙমদবশিংনা য়ু য়োনবসি থিংবা ঙমগনি হায়বসি লাইনা য়াগদৌবা মান্দে। লাইগী লান কয়াসি লোইশিনবা ঙমদ্রিঙৈ য়ু কৎপা লাইগী য়ু থিংবসু ঙমগদৌবা মাল্লক্তে। কংলৈদগী হৌদোক্লগা মালেমসিদা শুংবা তোকখিবদগী য়ু কৎপা লাইদুসু, ফংলক্ত্রবদি থৌগংনরগা শিবা য়াওরক্লবদি লাই লাৎপশিংসু শাওরক্কনিসে। য়ু থক্তবসি লাইনা থক্কনু হায়বা য়াওব্রা, থকপশিংদি লাইদা কৎলগা থকপসু য়াওই। য়ুগী লাইদি খুরুম্লগা য়ানরি য়ুদা ঙাওবশিংদি হায়নরগা য়ানগদৌববু মাল্লক্তরে। শিখিবসু ফনা য়াল্লবনি, কোক্কী লায়না খুদিং য়ুননি, ফিরাক্কী লায়না খুদিং য়ুননি হায়রবদি ডাক্টর লৈত্রবসু য়ু শুংদ্রগা অদুম য়ারগনি। য়ুসিদং ফংদ্রবদি খুন্নাইসি লোইনা ফরগনি হায়বসি থাজবদি য়াই, ওইগদৌবদি মান্দে। থাজরগা ওইদবদি য়াম্না লৈরে, ভোটসু কাগদৌবা মাল্লগা কাদবা মশীংনা কাবা মশীংদগী য়াম্না হেল্লি। কাগদৌবা মানবোই-মান্দবোই কারকপশিংনা য়ুগী ৱাসি থিংবা ঙমগদৌবোই-ঙমদবোই অদুম তৌরদৌবা মাল্লক্লে। মীয়ামগী মীহুৎ হায়রিসিগা মীয়ামগা শম্নদে হায়বসিমা য়াম্না লায়না খঙখ্রপোৎনি, ময়াম্না হায়বা য়ানদ্রে হায়বগী ৱা হেক হেক থোক্লকপদা শোরোক তানরক্লিবসি অসিগীনি। শেংবা শেংদবদি খঙদে শেল পীরগদি য়াই হায়ববু তারি। মদুসু লোনা য়াই হায়, য়াদে হায়, কন্সটিট্যুসননদি য়াবগী চৎনরিবা অসি মঙাই, য়ারবনিনা য়াবগী লো অমসু শেমফম থোকই, য়াদে হায়বা লোদু শেমদোকফম থোকই, চৎনরিবদু ইশিনবা কৈদৌবগে, চৎনরিবা অদুবু করিগী ইকায়দৌরিবনো? লোসিসু অনী শুরি, ইদুনা লৈবা চৎনদবা, ইদবা চৎনরিবা। চৎনরবদি ইশিল্লগা থম্ফমদি থোকপনি। থায়নগী নিংথৌগী টাইপ্তা লো কয়া অমা ইদবীদা চৎনশিল্লি, ওফিসরশিংদা শেল চাববু য়াওই হায়রি। লৈবাকসি মখোয়না পুবা ওইরবদি মখোয়না তৌবীবদু লো ওইনা ইশিনদৌবনি। ইদ্রবদি নিংথৌগা মান্নশিল্লকই, মোনার্ক হায়সিনি, লৈরিবনিনে। লাইগী মীচং চঙবা য়াদে হায়গনি, লাইশঙদি পংশাদা শাগনি, হংলুরগনা টুরিজমগীনি হায়রিসিনি, মমৈদদি টুররিংবা খরগী অদুম ওইখিনি, শেল তাল্লগা লোইরে।

চিন থীবসিবু লোনা য়াব্রা, কন্সটিট্যুসননদি য়াই। গভর্ণমেন্ট শেম্বা কাঙবুনা ভোটকী ঙাঙবদা অসুক য়াম্না য়াওরিসি য়াবগী নত্তে হায়গে হায়রিব্রা? ভোটকী ঙাঙনবদবু কনানা চুম্না ঙাঙনবা য়াওরিবগে? এনা চুম্মী, বিনা চুম্মী, সীনা ঙমগনি ঙাঙনরিবা ময়ামসি, কেম্প্যেনবু খোম্বা হায়নৈনে। ভোটপু খোম্বা য়াবনি হায়বসি, খুদাপ খোম্বগুম লৌনরব্রা? খোম্বা হায়বসি মী খোম্বা হায়বগা মান্নবা নৎত্রি। ভোট হায়বসিদি মশাগী ৱাখলনা পীবনি, খোম্বা য়াবা ওইদে। খোম্বা ওইরবদি ভোট নৎত্রে, মীয়াম অসিবু হন্থনা খনবনি। অদুবু কন্সটিট্যুসন অসিনা য়ারি, চৎনরি। লাই অমা য়াওরি, খোম্বা-খোম্বা ঙাক্তা ঙাইরে। খরা লৈরগদি খুনবা য়াবা থরোই খুনবা ওইনা ঙাঙনরকপসু য়ারি। থরোইসু মরৈ খরা শাংবা লাই-থরোই য়াওগদৌরিবনি। লিশীং মঙা-মঙা, তরানা য়াদ্রে, লাখ নৎত্রবদি হায়বা য়াওরক্লবনি। অদ ওইরবদি লৈবাক খৃৎশেমসি লাল্লি হায়বনি। চুমথোক্কে হায়বা ওইরবদিনে মীদা চুম্বদি চৎপা ৱাগনি, চেদা ওইনা চুমথোকপা য়াগনি। মদুসু ৱাগদবা নত্তে, হৌজিক তৌরিবা ময়ামসি অদুম মান্না ইশিল্লগা লোইরে। লানবা-চুপ্না, ফজবা নৎত্রগা ফজদবা থিরদৌবা নৎত্রে, হৌজিক হৌজিক চৎনরিবা ময়ামসি চপ চানা ইশিল্লগা লো হায়বদু অদুম ওইজরদৌবনি। ফজরে।

মী হাৎপসি কন্সটিট্যুসননা য়াই, আর্মিনা মী তারামঙা গাড়ী থৌজিল্লগা হাৎলি, নোংমৈনা কাপ্পগা হাৎলি হায়বা পাউ ময়াম য়াওরিবসি হাৎপা য়াবদুগীনি। চুম্মী-লাল্লি হায়বদুনা ঙাওনফম থোকপা। কোন্না ঙাওনজবগী ৱাতনি "মী হাৎপদি য়ারগা ভোটকী শেল য়েনবা য়াই-য়াদে, য়ু থকপা য়াই-য়াদে, শেল চাবা য়াই-য়াদে, চিন থীবা য়াদেকো হায়রগা শান্নবসি ঙাওবগী নত্তে হায়বা য়াবা নত্তে। ভোটতি পীবা হৈত্রগা, য়ুদি থকপা হৈত্রগা ঙাওদেতা মহায়বা। ঐবুদি ঙাওরে খঙলে, নঙদি ঙাওদে হায়বা খঙজরব্রাও। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।